# ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা নেসনল গেমস কুমজা ১৯৮৫দা হৌদোরকপা মতমদা মণিপুরগী ৱাটর পোলো টিমদি ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখি



ক্ষেত্রি য়াইমা
*ভেটরান প্লেয়র*

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
অকাউ-পরৈ চল্লুরবশিং

*(মমাঙগী মখা)*

মণিপুরগী ওইনা ঈশিং লমজেল অমদি ৱাটর পোলো চাউখৎনবা কন্না হোৎনরকখিবসিদি কোংবা মায়কৈসিনি। মরক্তা য়েৎন-খোৎনবা অদুগুম্বদি খরা অদুম থোকখি। অদুবু চহী খরা লেপ্পুরবসু টুর্নামেন্টসিদি অদুম হেক্তা পাঙথোরকখি। তশেংনা হায়জরবদা, কোংবা রোমসিদা ঈশিং মশান্না নুংশিজবা, গেম অসিবু য়োকখৎচবা পামজবা মীওই খরা লৈ হায়বা তাই। কুমজা ১৯৬২দগীনা কুমজা ১৯৭৭ ফাওবসিমদি পুমলেপ লেপখিবনি। অদুবু কুমজা ১৯৭৮ সিদগী অমুক হৌরকপদগীদি অফবা অঙাংশিংসু মথং মথং থোরকখ্রে। অহল্লোনগী মরোল অমা লোইশিনখ্রবা মতুংদা কুমজা ১৯৮০-৮১গী মতমসিদদি নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা 'মণিপুরগী ৱাটর পোলো টিম' থাবা হৌরে। অহানবা নেসনলদা শরুক য়ারুবা অসিদা ঐখোয়গী অঙাংশিং সি ঐচ ইমোচা হায়রিবসি ইন্দিয়া টিমগী ট্রাইয়েল কৌরকখি। কুমজা ১৯৮০-৮১ অসিদগীদি মণিপুরগী ৱাটর পোলো শান্নরোয়শিং অসি নেসনল থাক্তা শকখঙনবা হায়বদু ওইরকখি। মরক্তা টুর্নামেন্ট তৌখিবা অদুমদি মণিপুর পুম্বগী ওইনা মাঙজবনি হায়জনিংই। শাউনবা, য়েৎনবা অদুগুম্বা থৌদোকশিং থোক্লমদবা তারবদি মণিপুর মচাশিংদি য়াম্না ঙন্না ঈশিং মশান্নাদা থোইথোক্লা মমিং লৈরমগদবনি।

কুমজা ১৯৮৫দগী হৌখিবা ইন্দিয়াগী 'নেসনল গেমস'তা হেক হৌবা চহীসিদা মণিপুরগী ৱাটর পোলো টিম অসিদি ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী ওইনা সুপ্নগী টিম মরি খনবদা মণিপুর টিমদি অদুমক য়াওরকখি। হায়রিবা মতমদুদা মণিপুরগী ওইনা লৈজবী থাদুনা কন্না অরোইবীদা হোৎনবা মশান্নশিংদি, ফুটবোল, হোক্কি, ভোল্লিবোল অসিনি। অদুবু ইভেন্টশিং অসিদি নেসনল গেমসকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে। নেসনল গেমস হেক হৌরকপদগী মণিপুর মচাশিংনা মায় পাক্না শরুক য়াবা ঙম্লকখিবা টিম ইভেন্টতি ৱাটর পোলোনি হায়বা য়াই।

অদুগা, মণিপুরদা ৱাটর পোলোগী টিম শাগৎলক্লিবা মফমশিং অসিদি কোংবা এরিয়াগা নিংথেম পুখ্রি মপালদা লৈবা ক্লবশিং অসিনি। হৌরকপা মতমদদি ক্লব ফনা য়াম্না শরুক য়ারম্মী। বি এস এফকী টিম মালোমগী টিম, বাশিখোংগী মৈরা টিম পুম্নমকসি লোইনা য়াওরম্মী। বি এস এফ কী টিমদি য়াওনিংলবসু ঐখোয়গী পুখ্রিসিদা শান্নবা মতমদা লায়না পোক্কদবা মাল্লি হায়না য়াওখিদবনি। মালোমগা বাসিখোংগী টিম শরুক য়ারকখিদবা অদুনা মখোয়গীদি ঈরোইবা য়াবা মতিক চাবা পুখ্রি অমত্তা লৈতবনা প্লেয়র পুথোকপা ঙমদবগীনি হায়রকখি। ৱাটর পোলোগী প্লেয়রসি মমৈদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন, নহারোল লমজিং মৈরা (কোংবা), জুবেনাইল লানরস ক্লব (কোংবা), কোংবা ক্ষেত্রি লৈকাই দিভলপমেন্ট ক্লব, উচেক্কোন য়ুথ এথলেটিক্স ক্লব, সোসিয়েল য়ং দেমোস ওগর্নাইজেসন, মহারাজ গম্ভির সিংহ মেমোরিয়েল ক্লব, সাউথ, ইষ্টর্ন দিভলপমেন্ট সেন্টর ওর্গনাইজেসন, নোংপোক নিংথৌ পোলো ক্লব, নহারোল লময়ান ক্লব .... হায়রিবা ক্লবশিং অসিদগী মপুং ওইনা থোরক্লুনা শান্নরকখি। ঈশিংগী মশান্নশিং অসি মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট থুংনা শান্নবা অদুগুম্বা মশান্নশিংদি ওইরকখিদে। গেম মখলসি শান্নবা মতমদা মতিক চাবা পুখ্রি অমদি তঙাইফদনা চঙবনিনা হেক্তা ওইথোকপসু য়াদে।

ৱাফম অমসু নীংশিংলক্লে, ঐখোয়না ঈরোইবা হৌজরকপা, ৱাটর পোলোগা শান্নজরকপসিদি ইশানা পামজবগী পঙহোৎতা হোৎনবনি। কোচ নাইনা কাংলোন চুম্না শান্নরকপা অদুমদি নত্রে। অদুবু খরা থেংথরকপা মতম সঞ্জেন্থোংগী স্বিমিং পুল লৈরবা মতমসিদদি থাংজম ওজা মোধুনা কোইচেন চেল্লগা বেঙ্গোলদগী সি এস সরকার হায়বা স্বিমিং কোচ অমদি কৌথোক্লগা ঐখোয়সি স্বিমিংগী ট্রেনিংসি থা অহুমলোমদি পীহনখি। ঈরোইবগী চোঙথবা মওংগসি ফজনা তাকপীরমখি। ঐখোয়না হান্না লোইরিবদুদি ৱানা থোঙ্গ্রা শারগা মদুদা নিঙ্গাং ফল্লগা ফন চোংথদুনা লোইবনি। চুম্নগী পুখ্রিদা লোইবনিনা টুর্নিং শৎ লৈবা মতমদসু খোঙনা কাউফম লৈবা নত্তে। নম্ফুদা পামজবগী পঙলোই লোইবা হায়বদুনি। খল্লুরগা নুংশি ঙম্ন-ঙম্নবা পাঙ্গল লৌশিং ফুদোক্লগা লোইবনি।

অমরোমদা, সঞ্জেন্থোংগী স্বিমিং পুলসি শানবা তকশিনবদা ঐখোয়সু য়াওজরকখি। ঐখোয়গী মতমদা শান্নমীন্নরকপা প্লেয়রশিং নুঙ-লৈঙোই হোনবা ফাওবা য়াওরকখি। ঐখোয়না তাজখিবদা সঞ্জেন্থোংগী স্বিমিং পুলসি শাবদা লুপা লিশিং ৩০ চঙই হায়না তাজখি। অহানবা ওইনা সঞ্জেন্থোং মনাক্তা স্বিমিং পুল অমা থল্লকখিবদু ঐখোয়দসু য়াম্না নুংঙাইবা ফাওজখি। হৌজিক্তী মণিপুরগী অহানবা স্বিমিং পুলদু করম্বা ফিভমদা লৈখ্রবনো খঙদ্রে।

...মথং মথং...



# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৯

১) খা কোরিয়া মচা অমনা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল হেক ফংখিবগা অসুম্না হায়খি "ঐনা য়ুন অমসুং মহাক্কী ইমাদা ঙাকপীয়ু হায়রি। ঐগী সনাগী মেদল অসি মখোয়গা ঐগা পুন্না ফংমিন্নবনি"।
(ক) মসি কনানা হায়খিবনো? (খ) করি মরমগী হায়খিবনো?

২) মহাক য়ুরোপ মচানি, ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননী, ফিল্মসু য়াওখি, কুমজা ১৯৯৮দা কার এক্সিদেন্টতা লৈখিদবদা মালেম পুম্বনা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৩) ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমগী মেদল ইন্টর্নেসনল ওলিম্পিক কম্মিনিনা মতম খরা লৈরগা লৌশিনখি। মরমদি মহাক প্রোফেস্নেল ওইনা শান্নবদা শরুক য়াই হায়বগী মরমদনি। মহাক শীরবা মতুংদা মহাক্কী মশুশিংদা মহাক্কী মেদল অদু অমুক শীন্নখি। মহাক কনানো?

৪) ঐহাকপু চেকশুবা নিপানি হায়দুনা ইংলেন্দগী থেমস তুরেন্দা হিয়াং তান্নবদা শরুক য়াহন্দে। ঐ ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ননি, ইচা নুপীনা লৈবাক অমগী মহারানিনি। ঐ কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ৱেষ্ট ইন্দিস ক্রিকেট টুরদা শান্নগদবা ইন্দিয়াগী টিম লাউথোকখ্রে

মুম্বাই, জুলাই ২১ (এজেন্সী)ঃ

ওগষ্ট ৩দগী ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ৱেষ্ট ইন্দিসতা চৎকদৌরিবা ক্রিকেট টুর অদুদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী টিম মমিং লাউথোকখ্রে।

টেষ্ট মেচ অনী অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুদি ভিরাত কোলি (কেপ্টেন), অজিনক্যা রহানে (ভাইস কেপ্টেন), ময়াঙ্ক অগরৱাল, কে এল রাহুল, চিতেশ্বর পুরাজা, হুনুমা বিহারি, রোহিত শর্ম্মা, রিসব পন্ত, রিধিমান সাহ, রবিচন্দ্রন অস্বিন, রবিন্দ্র জদেজা, কুলদিপ যাদব, ইসান্ত শর্ম্মা, মহমদ সামি, জসপ্রিদ বুমৱা অমসুং উমেস যাদবনি। টেষ্ট মেচ অনীগী মনুংদা অহানবা অদু ওগষ্ট ২২দগী ২৬ ফাওবা এন্টিগোৱাদা শান্নরবা মতুং অনীশুবা মেচ অদুনা ওগষ্ট ৩০দগী সেপ্টেম্বর ৩ ফাওবা জমাইকাদা শান্নগনি।

টি ২০ মেচ অহুমগীদমক খল্লবা শান্নরোয়শিংঅদুদি ভিরাত কোলি, রোহিত শর্ম্মা, সিখর ধৱন, কে এল রাহুল, স্রিয়াস আয়র, মনিস পান্দে, রিসব পন্ত, ক্রুনল পন্দিয়া, রবিন্দ্র জদেজা, ৱাশিংতন সুন্দর, রাহুল চাহর, ভুবনেশ্বর কুমার, খলিল অহমদ, দিপক চার অমসুং নবদ্বিপ নাইনিনি। মে ৩ অদুগী মনুংদা ওগষ্ট ৩ অমসুং ৪গী মেচ অদু য়ু এস এগী ফ্লোরিদাদা শান্নগনি। অদুগা ওগষ্ট ৬তা গয়ানাদা শান্নগনি।

ৱান দে মেচ ৩ অদুনা গয়ানাদা ওগষ্ট ৮দা অহানবা শান্নরগা ওগষ্ট ১১ অমসুং ১৪গী মেচ অনীনা ত্রিনিদাদতা শান্নগদৌরি।

ৱান দে মেচশিং অদু শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুদি ভিরাত কোলি, রোহিত শর্ম্মা, সিখর ধৱন, কে এল রাহুল, স্রিয়াস আয়র, মনিস পান্দে, রিসব পন্ত, রবিন্দ্র জদেজা, কুলদিপ যাদব, য়ুজবেন্দ্র চাহল, কেদর যাদব, মহম সামি, ভুবনেশ্বর কুমার, খালিল অহমদ অমসুং নবদ্বিপ সাইনিনি।

# ইন্টর্নেসনল চেম্পিয়ন্স কপ্তা টোটেনহামনা জুবেন্টসপু পাঙ্জল ৩-২দা থোইখ্রে

কলাঙ, জুলাই ২১ (এজেন্সী)ঃ

মালেমগী লৈবাক ৬না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ইন্টর্নেসনল চেম্পিয়ন্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লবা টোটেনহাম হোটস্পর্সনা ইটালিগী ক্লবা জুবেনটসপু পাঙ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

চাইনা, ইংলেন্দ, স্বিদেন, সিঙ্গাপোর, য়ুএসএ অমসুং ৱেলসনা পুন্না য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ইন্টর্নেসনল চেম্পিয়ন্স কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি সিঙ্গাপোরদা লৈবা কলাঙ সিটিদা শান্নখিবা মেচ অদুদা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পর্স অমসুং ইটালিগী ক্লব জুবেন্টসকা লম্বা তৌনখিবনি।

ঙসিগী মেচ অদুগী হৌরকপদা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পর্সনা মেচকী হৌরকপা ৩০শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় লামেলাগী মতেংনা অহানবা পাঙ্জল অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঙ্জল অদুনা অহানবা হাফ অদু লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাফতা জুবেন্টসকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না প্রেসর পীরক্লুনা শান্নরকপদা হিগ্বাননা ৫৬শুবা মিনটতা পাঙ্জল অমা হন্দোক্লুনা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি।



মহাক্কী পাঙ্জল অদুগী মতুং টিমমেট পোর্টুগাল মচা খৃষ্টিয়ানো রোনালদোনা ৬০ শুবা মিনটতা পাঙ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পর্সপু ২-১দা মাংজিল থারগা লৈখি। অথুবা মতমদা হোটস্পর্সকী মায়কৈদগী লুকাসনা ৬৫ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা লাকখি। মেচ অদুগী লেমহৌরিবা পুংখাই অমরোমগী মতম অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী ফনা কন্না লম্বা তৌনদুনা শান্নরকপদা অহেনবা পাঙ্জল অদু চন্নবা ঙমদনা লাকখি। অদুবু মেচকী ইঞ্জুরি টাইমগী ৩শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী ক্লব টোটেনহাম হোটস্পর্সকী কেননা পাঙ্জল অমা চনশিল্লগা মেচ অদু মখোয়না জুবেন্টসু ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না ফুটবোল কনফিদেরেসন অনীদগী ক্লব ১২না শরুক য়ারি। ইংলেন্দগী অর্সেনেল, টোটেনহাম হোটস্পর্স অমসু মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ, স্পেনগী রিএল মাদ্রিদ অমসুং এথলেটিকো মাদ্রিদ, ইটালিদগী ইন্টরমিলান, জুবেন্টস, মিলান অমসুং ফ্যুরেন্টিনা, জর্মনিদগী বায়র্ন ম্যুনিক, পোর্টুগালদগী বেনফিকা অমসুং মেক্সিকোদগী গ্বাদালাজরানি।

# ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন ২০১৯দা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ শান্নরোয় পি বি সিন্ধু ফাইনেলদা জপানগী য়মাগুচিগী মখুত্তা মায়থীহৌরে

জকর্টা, জুলাই ২১ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দোনেসিগী কোনুং জকর্টাদা চথুরিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী নম্বর ১ শান্নরোয় ওইরিবী টুর্নামেন্ট অসিগীনা ৫ শুবা সিদেদ পি ভি সিন্ধু ফাইনেলদা জপানগী অকানে য়মাগুচিগী মখুত্তা মায়থীদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী মাংওইননা ইন্দিগয়াগী পি ভি শিন্ধু অমসুং জপানগী অকানে য়মাগুচিনা মেচ ১৪ লম্বা তৌনখিবদা মেচ ১০ মহাক্না মায়পাক্লগা য়মাগুচিনা মেচ ৪ মায়পাক্তুনা লাকখিবনি। মমাংগী দেটা য়েংলুবদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুনা চাওনা মায়পাক্তুনা লৈবা মরম্না ঙসিগী মেচ অদুসু মহহাক্না মায়পাকপা য়াবগী চাং হেন্দুনা লৈখিবনি।

ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা শান্নরোয় অনীনা য়াম্না মান্নবা মওংদা শান্নরক্তুনা হেঞ্জিন্নবা ঙম্নখিদে। গেম অদুগী পোইন্ট ১৬ শান্নবা লোরবফাওবদা নাকল অনীনা পোইন্ট ৮-৮ লৌনদুনা লেং মান্নদুনা লৈখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফ লোয়শিল্লকপদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা পোইন্ট ৩ থংননা লৌবা ঙমদুনা ১১-৮ হেন্দুনা লৈখি। অহানবা গেম অদুগী অনীশুবা হাফ শান্নরকপা অদুদা জপানগী শান্নরোয় অকানে য়মাগুচিনা অহেনবা মশান্না পুথোরকপদগী সিন্ধুগী মশান্নদা খুদুম চনশিল্লক্তুনা পোইন্ট ১৪-১৪দা মান্নদুনা লৈখি।

পোইন্ট মান্নরম্বদগী য়মাগুচিনা থংন-থংননা পোইন্ট ৭ লৌদুনা ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা গেম অদু ২১-১৫দা থোইদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অদুবু গেম ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ফনা কন্না হোৎনরবসু জপানগী অকানে য়মাগুচিনা ফজবা হেঞ্জিল্লকপদগী গেম অদু মিনট ৩১দা পোইন্ট ২১-১৬তা থোইদুনা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অদুগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থীহৌদুনা টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা পোজিসন তাখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় চৌ টিয়েন চেননা দেনমার্ক্কী এন্দর্স এন্টোন্সেনবু য়াম্না লম্বা মান্নবা ফাইনেল মেচতা ২১-১৮, ২৪-২৬, ২১-১৫দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপাগী দবলসতা নম্বর ১ পেয়র ওইরিবা ইন্দোনেসিয়াগী মার্কস ফর্নাল্ডি গিদিয়োন অমসুং কেবিন সঞ্জয়া সুকুমালজোনা অতোপ্পা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র মুহম্মদ অসান অমসুং হেন্দ্রা সেটিয়ানবু ২১-১৯, ২১-১৬তা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। নুপীগী দবলসতা জপানগী পেয়র অনীগী ফাইনেল লম্বাদা য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সয়াকা হিরোটানা অতোপ্পা জপানগী পেয়র মিসাকি মাটসুমোটেবাবু ২১-১৬, ২১-১৮দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি। চুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেচতা চাইনী পেয়র ঝেং সি ৱৈ অমদিয়া কিওংনা অতোপ্পা চাইনাগী পেয়র ৱাং য়ি লিয়ু অমসুং হুৱাং দোং পিংবু মায়থীবী পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

# অলজেরিয়ানা সেনেগালবু পাঙ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্সকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

কাইরো, জুলাই ২১ (এজেন্সী)ঃ

ইজিপকী কোনুং কাইরোদা লৈবা কাইরো ইন্টর্নেসনল ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অঙনবদা শান্নখিবা অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্সকী ফাইনেল মেচতা অলজেরিয়ানা সেনেগালবু পাঙ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই, অলজেরিয়না টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা অলজেরিয়ানা নাইজেরিয়াবু পাঙ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখিবনি। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা সেনেগালনা এক্সত্রা টাইমদা টুনিসিয়াবু পাঙ্জল ১-০দা মায়থীবা পীরনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

সেমি ফাইনেলদা মায়থীহৌরবা টুনিসিয়া অমসুং নাইজেরিয়ানা অহুমশুবা পোজিসনগীদমক্তা লম্বা তৌনখিবদা নাইজেরিয়ানা টুনিসিয়াবু পাঙ্জল ১-০দা থোইদুনা ৩শুবা পোজিসন তাখি।



ঙরাং অঙনবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ মেচকী ২শুবা মিনটতা অলজেরিয়াগী মায়কৈদগী ইসমেল বেনাসরনা পুশিনখিবা বোল অমা সেনেগালগী পেনাল্টি এরিয়া মনুং য়ৌশিল্লকপদগী খাইদোরকপদা টিমমেট বেনেদজানা ফংদুনা কাউশিনখিবদা পাঙ্জল ওইদুনা সেনেগালবু অলজেরিয়ানা ১-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

ঙন্না পাঙ্জল চনশিল্লকখিবা অদুদা সেনেগালগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংনবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুবু অহানবা হাফ অদুদা খুদোংচাবা ফংদনা লৈখিবা অদু অনীশুবা হাফতা ফংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু কান্নবা ফংখিদবদগী পাঙ্জল ০-১দা মায়থীবা নংদুনা অলজেরিয়ানা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী পাঙ্জল খ্বাইদগী য়াম্না চনখিবা শান্নরোয় অদু নাইজেরিয়াগী পাঙ্জল ৫ চনখিবা ওদিওন ইগালোনা ওইখি। খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় অমসুং নহা ওইবা শান্নরোয়গী মনা অদু অলজেরিয়াগী ইসমেল বেনেসরনা ফংখি অদুগা টিম অদুমক্কী রাইস এম বোলি খ্বাইদগী ফজবা গোলকিপ্পরগী মনা অদু লৌখি।

# কম্মনৱেলথ টেবল টেনিসকী মিক্স দবলসকী গোল্ড মেদল ইন্দিয়াগী জি সথিয়ান অমসুং অর্চনা কমাথনা লৌখ্রে

কটক, জুলাই ২১ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী ষ্টেট ওরিষাগী সিটি কটক্তা পাঙথোক্লিবা ২১শুবা কম্মনৱেলথ টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপকী মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পেয়র জি সথিয়ান অমসুং অর্চনা কমাথনা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

সাথিয়ান অমসুং অর্চনা কমাথনা সিঙ্গাপোরগী পেয়র পাং য়ু এন কিয়োন অমসুং গোই রুই জ্বানবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম ৩দা ১১-১, ১১-৭, ১১-৪দা মায় পাক্তুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

কাংলুপ অসিগী সেমি ফাইনেলদা সথিয়ান অমসুং কমাথনা ইন্দিয়াগী পেয়র হরমিত দেসাই অমদি এহিকা মুখর্জিবু ১১-২, ১১-২, ১১-৯দা মায়থীবা পীরমখি। অদুগা সিঙ্গাপোরগী পাং য়ু এন কিয়োন অমসুং গোই রুই জ্বাননা ইন্দিয়াগী অসান্ত সরাথ কমাল অমদি স্রিজা অকুলাবু ১৩-১১, ৮-১১, ৬-১১, ১১-৮, ১১-৪দা মায়থীবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী এক্সপিরিয়েন্স লৈরবা অসান্তা সরাথ কমালবু সিঙ্গাপোরগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় পাং য়ু এন কোইননা য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ৭-১১, ৯-১১, ১১-৮, ৪-১১, ১১-৯, ১১-৭, ১২-১০দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় হর্মিত দেসাইগা লম্বা তৌনরগনি।



হর্মিত দেসাইনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সুসমিট স্রিরামবু ১১-৪, ১১-৮, ৬-১১, ১১-৭, ১১-৮তা মায়থীবা পীরম্বনি।

কাংলুপ অসিগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী জি সাথিয়ানননা ইংলেন্দগী থোমাস জার্বিসকা লম্বা তৌনরগনি। সাথিয়াননা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা নাইজেরিয়াগী বোদে এবিয়োদুনবু ১১-৭, ১১-৮, ১১-৮, ১১-৬তা থোইরমখি। অদুগা থোমাস জার্বিসনা ইন্দিয়াগী সনিল সঙ্কর সেথিবু ১১-৫, ১১-৮, ৮-১১, ১৩-১১, ১২-১০দা মায়থীবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অহুম সেমি ফাইনেল য়ৌখি। শান্নরোয়শিং অদুদি ক্বার্টর ফাইনেলদা মোক্সমি পোলবু থোইরম্বী অহিকা মুখর্জি, সুতিরথা মুখর্জিবু থোইরম্বী স্রিজা অকুলা অমসুং সিনহা রোই ক্রিতিকাবু থোইরম্বী মাধুরিকা পটকরনি।